# 'ৱারিবসি মতিক চাবা লুচিংবা লৈতবদগীনি'

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

উশম ধরমেন্দ্র



মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম ঙাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লিবা মীতৈশিংবু অসুক য়াম্না চরক-চহিংনবা পূন্সি মহিং অমদা থম্বসি য়াম্না তৌহৈদবা থবক্নি। মরম শুংপী পীদনা মরাল শুংলৈ লৈজদবা মীতৈশিংদা কুকি টেররিষ্টশিংনা লান্দাদুনা থোকহনখিবা অৱাবগী চৈথেং ঙসিসু অদুমক ফংলি। মখোয়না নমদুনা থোকহনখিবা লান অসিগী ৱারোইশিন অমা নাখৈ শেংনা ঙসিসু পুরক্ত্রি। অহোইনদুম মতম খরা খরা কান্নরগা মণিপুর থুগায়নবা থৌরাং লেপ্তুনা চথুরি। মণিপুর থুগায়নবগী লৌতুনবা থৌওং অমনি হন্দক্কী গ্বালতাবীগী থৌদোক। মণিপুরদবু মণিপুর থারগা চৎপা য়ারোই হায়রদি ৱা লোইরেনে। মসি তরাইনা লৌফম থোক্তবনি। মদুননি মীয়ামগী অকনবা ঈহৌ লাক্লিবসি। মণিপুরগী অপূনববু নুংশিজবা কাঙলূপ ফূরুপ খুদিংমক্তা শীংনবা থৌওংনি। অসুম্না তৌবসি য়াগদরা হায়বগী ত্রাইএল অমা তৌবগী মওংনি। মদুদা মণিপুর থুগায়নীংবা কয়া অমনদি হরাওজরমগনি। মদুদা ষ্টেটসিগী প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক্লা শেংদোক ৱারোলগা পীরদনা, কান্নদবা ৱানি। মহার রেজিমেন্ট হায়বসি সেন্ত্রেল ফোর্সকী মখাদা লৈবনি। মদু পূন্নমক্তু লৈরিবা য়ুনিয়ন লৈঙাকসিগী য়াথংদা চৎকদৌরিবনি।

মণিপুরগী য়েলহৌমীশিং অখন্নবা মীতৈশিং অসিনা থেংনরিবা অৱাবসি থেংনফম শুংথোক থোক্তবনি। চৎলিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি তাঙ্কক অসি মণিপুরগী পুৱারীদা অমুবা ময়েক্লা ইদুনা অদুমক লৈহৌরগদবনি। মীতৈশিংনা অৱাবা কয়া নংখিবা অৱাশিংগী মখূৎতা খুন্তাক লানশিখিবা চহী তরেৎ খুন্তাকপা (কুমজা ১৮১৯-১৮২৬) ঙসিসু কাউঙমদ্রি। মতমদো কনানা মণিপুরগী নিংথৌ ওইখি হংবদা নিংথেমচা মার্জিৎনা ওইখি। ফন লাউনা চোংথোরকই। তুংগী মীরোলনা কুকি টেররিষ্টশিংনা লান কায়হৌরক্তুনা মীতৈশিং নুংশি হৈতনা হাৎখিবদু কনানা কণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইবা মতমদনো হায়না পুৱারী নৈনরুবদা ফন লাউনা চোংথোরক্কনি। ঈরাং লাকশিনবা য়াবা মতমদা লাকশিনখিদে। মদুনা মরম ওইরগা কুকি টেররিষ্টশিং 'জঙ্গলদা ময়াই কারবা শামু' ওইরি ঙসিসু। মখোয়গী টেররিষ্ট এটেক চহী অনী মখায় খক্তা ঙাইরিবা মীতৈ অঙাং ফাওবা হাৎতোকপীখ্রবনি।

লৈবাক কাংখোং চাইরে। মীতৈ মীচম মীয়াম মপী-মপা লৈত্রে। হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী ঙসিসু মীওই কয়ানা য়ূমদা হঞ্জিনবা ফংদনা হিংবগী মহাউ য়াওদনা লৈরি। তুংগী হিংবগী আশা উরক্ত্রবা মীওইনা করি তৌরুগবনো অসুম্না হিংদোই শরুক হায়দুনা মশা মথন্তা শিজবসু য়াওরক্লি, লাইবক থীবনি।

মীয়াম্না মখোয়গী মীহুৎনি হায়না খল্লকখিবশিংনা মীয়ামগী ইহুল খঙনা থবক অমত্তা পাঙথোক্ত্রি। অমুকসু মশাদি লিদরশিপ ক্বালিটি য়াওই য়াওদে খঙদনা পূন্নমক্কী মকোক ওইনীংই। সিট ৬০ খক্তং লৈবা মণিপুর বিধান সভাসিদা কুকি এম এল এ তরানা ফোংনা লৈঙাক্কী মায়োক্তা থবক তৌই। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়নবা ফোঙনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তাল্লি। মদুদা লৈরম্বা ষ্টেট লৈঙাক্লা করিসু তৌবা ঙমখিদে। মন্ত্রি অনী য়াওরিবদু মণিপুরগী লৈঙাক্তা ফোংনা শীংনরে হায়রবসু করিগুম্বা এক্সন অমত্তা লৌখৎখিদে, অদুমক মন্ত্রি ওইহন্দুনা থল্লি। রুলিংগী এম এল এ মরক্তা চাউনা মোত মান্নরক্তবদগী "নো কনফিদেন্স মোশন" থাঙ্গৎলক্লবদি মায়থিরগনি খন্দুনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা মণিপুর লৈঙাকপু প্রসিদেন্টস রুল চলাইদুনা লাক্লি। হৌজিক্লা বি জে পিগী এম এল এশিংগী মরক্তা ঐখোয় মীশিং অসুক শুরে অথুবা মতমগী মনুংদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্লনি হায়দুনা ঙাইহাক লৈতনা হায়রি। অমুকসু খরনা অমুক হায় কম্মান্দনা হাপ্লকপা চীফ মিনিষ্টরদু মখোয় পূম্বনা য়ারে কায়সু হায়রি। জাৎ জাৎনি লৈবাক্কী লুরবা মতমসিদা মখোয়না তৌরিবসি। সিট ৬০ খক্তং লৈবা বিধান সভাসিদা মীওই মরি/মঙানা চীফ মিনিষ্টর ওইনীংবগী মওংকাসু উরি।

নাকল অমরোমদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা প্রসিদেন্টস রুল চলাইদুনা মণিপুরদা কুকি টেররিষ্টশিংনা লৈবাক ঈরাং থোকহল্লিবসি অথুবা মতমদা কোকহনগদ্রা হায়না খন্নরুবনি। মদুসু পূন্নমক্তা তাইওন্নরে। হান্নগী মণিপুর ষ্টেটকী লৈঙাক্তুনা খোঙসু খোঙদবা, কাওসু কাওদবা শগোল, হন্দক্কী প্রসিদেন্টস রুলনা তাঞ্জা চাদনা খোঙবা শগোল তারে। ইন্দিয়াগী মিলিটরি ষ্ট্রেঙথ অমসুং মসিগী হৈশিংবা হন্দক্কী কাশ্মীরগী পহলগামগী থৌদোক থোকহনখিবা টেররিষ্টশিংগী মথক্তা এয়র ষ্ট্রাইক তৌদুনা উথোকখ্রে। ইন্দিয়ানা টেররিজমবু মরূ ফংনা মালেমসিদগী মূখুৎপা অমসুং টেররিজম শৌগৎপশিংবু পাড়া তম্বীবা ঙম্মী হায়বদু ময়েক শেংনা অথুবা মতমগী মনুংদা মালেমগী মীয়ামদা তাকখ্রে। টেররিষ্টশিংনা অৱাবা নংহল্লবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা চাক্লিবা লমন খুম্লিংবগী মৈচাক্তো কোকহনবীখ্রে। অদুবু ইরমদম মণিপুরসিদদি কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈ মীয়াম্বু তমথীনা অৱা-অনা নংহল্লি হায়বসি উবীদ্রে। খ্বাইদগী ঙক্লিবদি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীকুপ খরদং ওইরবসু লাক্তুনা হকথেংননা য়েংশিনবীরদবসিনি। মহাক্কী মওং মতৌ অসিদি মণিপুরগী তুংগী মীরোল কয়ানসু কৈদৌনুংদা ঙাকপীবা ঙম্লরোই। মহাক্লা লৈঙাক্কী লুচিংবা অমা ওইরগা মণিপুরদা য়েংলিবা মীৎয়েংসি য়েংফম থোক্তবনি।

মপাঙ্গল কল্লবা ইন্দিয়াগী এন দি এ লৈঙাক্লা অসুক শাংলবা লানগী চৈথেং ফংলবা লমদমসিদা ফ্রী মুভমেন্ট ওইহনবা ঙমদ্রি। হৌখিবা মার্চ ৮দা ফ্রী মুভমেন্ট ওইহল্লগনি হায়রগা কাংপোকপীদা গুরুং চৎখি। য়াম্না ঙকপা হায়দুনি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী ওর্দর ফাওবা কুকি টেররিষ্টশিংনা হুমদুনা পুরিবা কুকিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশনশিং অসিনা মৱা লৌবীদে। তশেংনমক মীতৈশিংনা লৈরিবসি অচৌবা জেল অমগী মনুংদনি। শিরুই ফেষ্টিবেল মনুংদা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং মরক্তা কুকি খুল খরা চীংলক্তা ফাওরগা চৎখিবদু নত্তনা মখা তারকপদদি মীতৈশিং হান্নগী হান্না অদুমক তম্পাকসিদগী মখা লম্বীদা হেন্দোকপা, লাম্হোকপা ঙমদনা লৈবগী মওংনি তৌরিসে। ৱারেদা/ৱারে হায়হৈদে ৱারে। লোইরে হায়হৈদে লোইরে। য়েলহৌমী মীতৈশিংগী তুংগী লাইবক কদোমদনো খল্লুবদা পুন্মম মল্লি। নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমগী মমলনা অতিয়া পক্লা ৱাংলি। শুফম নোম্ফম খঙদবা মীওইশিংগী মশীংনা ঈচাও থোক্লি। পূন্নমকসিদা মতম মতমগী ওইনা মায়োক্লবা তারে মহৌশাগী খূৎশেম্না পুরকপশিং। নোং খজিক্তং তাবগা মায়োক্লবা ঈশিং ঈচাওগী অৱাবশিং। মদুসু চীংগী শরুকশিংদা উমং-ৱামং কোকথোকপদগী লৈখোম লৈনাং তুরেল খোংনুংদা পুথরক্তুনা ঈচাও থোকপদা চাউনা মতেং পাংলিবনি। চীংগী লমশিংদা করম্বা কাঙলূপ্লা পাক্তক্লনা উমং কোকথোক্তুনা পোপি পাম্বী পাক শন্না থাবগে। অদুম ইখঙ খঙনরবা ৱাফম্লি। অদুনবু হায়নরিবনি নার্কো কুকি টেররিষ্টশিং হায়দুনা।

লোইশিল্লপদা চহী অনী হেনখ্রবা কুকি টেররিষ্টশিংনা থোকহনখিবা লানগী অৱা চৈথেং ঙসিসু মীতৈশিংনা ফংলি। করম্বা মতমদা ৱারোইশিন অমা পুরক্কনি হয়বসু তম্বা ঙমদে। ময়ূম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নরিবশিং হিংবগী মহাউ য়াওদনা হিংলি। মীতৈশিংগী ঙাকপী শেনবীগদবা মপী মপাসু লৈতে। ঐখোয়না ঐখোয়গী মীহুৎ খনবদা লাইরিক লাইশুগী জ্ঞান মপূং ফানা লৈবা, সেন্টরগী লুচিংবশিংনা হায়রগা জি জি হায়না চৎলোইদবা, য়ানীংদ্রবদি য়ানীংদে হায়না লাউবা ঙম্বা, কথোকপগী গুণ চেনবা, মমা লৈবাকপু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবা মীওই খনগদবনি। ঙসি ঐখোয়না ৱারিবসি মতিক চাবা লুচিংবা লৈতবদগীনি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# নোং তারিঐঙদা মায়সু তাহৌসি

## (অরাম্বাই তেঙ্গোল লৈরমদ্রবদি মীশি-মীনাগী পাউসু তারম্বা য়াই)

- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -



লায়রবা হায়বা কাঙলূপসে থৌদোক খুদিংগী চৈথেং ফংবা কাঙলূপনি। লান তৌরে লায়রবনা ৱাই। ঈকং-ঈচাও লায়রবগী চাকথুংনি। ইনাকখুনবগী বিল্ডিং ঈচুম্না লায়রবগী য়ূম থুম্বনি। লায়রবা হায়বসি লায়েংবা ঙমদবা লায়না অমবুদি নত্তে হায়নৈ। ৱাখল লৈবা অইবশিংনা হায়নৈ লায়রনা পোক্লকপা পাপ নত্তে। লায়রনা শিবদি পাপনি। ৱাহৈগী ওইনদি মফজৈ। অদুবু লায়রবা হায়বসিদি মূখুৎপা ঙমদবা কাঙলূপ ওইরি। মান্নবা খুন্নাই হায়বসি মান্নদবা চৎনবী-লাইনীং লৈবনিনা ওইরোইদবা দেমোক্রেসিগী ঈশৈনি। অনেম্বা-অৱাংবা, অতেনবা-অশাংবা শম্না হেক হায়রবদা পোৎ খুদিংমক্কী ওপোজিৎ শোয়দনা লৈ। মীওইবনা থিংবা ঙমদবা মহৌশাগী শাফু অহুম লৈ। মৈ-ঈশিং-নুংশিৎ হায়বসি মহৌশা লাইরেম্বীগী খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা শাফু অহুমনি। মখোয়দা লক্লরুবা য়াদে। মখোয়গী মতিক খঙবশিংনদি শাফু অহুম অসি ঈরাৎ থৌনি তৌনরিবনি।

য়েংবীয়ু ষ্টেটসিগী হায়ৱেশিং চহী অনীরোম হেল্লবসি কনানা হাংদোকপা ঙম্বগে। মালেমদা সুপর পৱারগী লমজেলদা য়াওরিবা ইন্দিয়াগী লাম্মীশিংনা শৌগ্রি হৌবগুম পৈরফাওবদা হাংবা ঙমদনা লৈরি। তৌবগীবুদি নীংথিনা প্লোট শেল্লবা দ্রামা ওইবগীনি হায়ববুদি ইখঙ খঙনরে। দ্রামা পার্টিদা নোংমা নৎত্রগা নোংমদি য়োৎখোক লান লাকপা য়াই। মসি লাক্ত্রিঐঙদা দ্রামা লোইশিনহৌগেরা নৎত্রগা দ্রামা থুগায়রকপা ঙাইগেরা, দ্রামা পার্টিনা খন্নবীয়ু। লোইজি লোয়াগী লায়রবশিংনা লাউখিবা ইমা লৈবাক নুংশিবগী খোল্লাওদো অৱাংবা ফেন্সিং মনুংগী ইনাকখুনবগী নাপা য়ৌবা ঙমদে। মীনা লম মুন্নবা লো কায়না চঙশিন্নরকই। ঐখোয়গী ইনাকখুনবশিংদি ভিজা পাসপোর্ট পায়রগা লান লৈতবা লৈবাক্তা চেল্লি। ঙসি ফত্তবশিংগী মখূত্তগী কন্দুনা থল্লিবা লমদমসি ঈ-নাই তারিবা, থৱায় কয়া মাঙলিবা ইমুংশিংগী সম্পতি ওইবদি য়াগদবা নত্তে, হাৎন-শুনবা লোইরবা মতমদদি ছো লোনশিল্লন্নবা বিল্ডিংশিংগী মপুশিং অদুম থুংলরনি। লমদমসিদা চহীগী তৌদবা য়াদবা থৌরমশিং লৈরি। চহী খুদিংগী তোকপা য়াদবা, শজিবু চৈরাওবা, নিঙোল চাক্কৌবা, য়াওশঙ, চকান গান ঙাই (কবুইগী), লুই ঙাইনি (তাঙ্খুলগী) অসিনচিংবা। ঙসিদি কুম খুদিংগী তৌদবা য়াদবা থৌদোক অমা ওইরে ঈশিং চাওবা। ঈশিং মানা চাওবদা চীংদা মরূ কোকপদু নীংশিংহল্লি। তোৰ্ব্বান শেংবগী জে সী বিনা হঙ্গৎ হন্দা লৈরাইদা নীকখিবা নীংশিংই। লৈরাই তেংল-তেংলগা কায়বা শুম শুম হেল্লিবসি উচিদা তায়নগদ্রা, থিকা লৌরিবশিংদো ঙাকপীগদ্রা? য়েঙ্খোক য়েনশিন ফংমিন্নরবনিনা লায়রবনা মরন্নাই তাজনি। কায়দ্রবদি মথংগী ৱার্ক প্রোগ্রাম কদায়দা হাপ্লুনি, গকাইনা খন্নরমদৌ মান্দ্রদো। করিনা হায়বু মহৌশা ঈশিং চাওনরিদি ইঙা, ইঙেন থা অনীসি অহিং নুংথিল ফুদিৎ ফুনা, শুংলেপ লেপ্তুনা নোং চুরবা মতমদা চাওবনি। চহী কয়াগী মমাঙদা থোকখিবা ঈচাও হায়না শোন্নরিবা অদুদগীদি নুমিৎ ৪/৫নিদং নোং চুবদগী চাওরিবা ঈচাওসিনা য়াম্না শাথীবা হেল্লি হায়না ঈচাও অনীমক নংলবা অহলশিংনা হায়নবা তাই।

ষ্টেটসিদা থাজিল্লক্লিবা সিফাইশিংসিবু এক্সপায়রি ওইবা সিফাই ঙাক্তরা খনগনু য়াদে। অতোপ্পা ষ্টেটতা থল্লিবা সিফাইশিংগী তৌবা ঙম্বা কয়া তোয়না তাই। ষ্টেটসিদা লৈরিবা সিফাইশিংগী করিসু তৌবা ঙমজদবসিসু মীগী লম্না শোয়দনা তারমগনি। হায়ৱে হাংবা ঙমদে। মণিপুর থারিসি মূখুৎলু গকাইনা পাউখোল্লোয়গুম কয়াদা শোন্না হিংলিবনো। মীয়ামসু খনবীয়ুনে। লমদমসিদা থল্লিবা সিফাইশিংসিনি এক্সপ্যারি ওইরবশিং শোয়দনা ওইরমনিদা। ওর্দর ফংদ্রবদি লো ঙাকপা য়াদে, শেৎলিবা ফিজোল, পায়রিবা নোংমৈসিদি তোলোপকীনি হায়নৈ কায়না নিনফুং নিনফুং তাখি। খঙদ্রেদা তৌরিবা থৌওংশিংসি অউবনা ইকায়জবা লমদম হায়দুদি ময়েক শেংনা ওইরে। হৌজিক্কী পি আর লৈঙাকসিদি মীদিয়া ফাও কৌনদবা ঙম্বা লৈঙাক্লি। সিগী লৈঙাকসিদি লৈরি খন্দবনা ৱাই শঙবা হেনগনি।

হন্দক্কী ঈচাওসিদি লৈঙাকসু লৈত্রবনিনা মরন্নাই হিংবা ঙম্নবা হোৎনবা তারি। অদুবু লমদমসিদা শাফোঙলকখিবা কলচরেল ওর্গনাইজেশন ওইরিবা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী থৌদাংদি মৈনা, ঈশিংনা চাম্বদা কোক্লরোইদবা পুৱারী ওইহৌরগনি। ইনাৎ-লাইনীং, চৎন-লোনচৎ চাওখৎনবা, য়োকখৎনবা, ঙাকচনবা শাফোঙলকখিবা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী তৌবা ঙম্বশিং লমদমসিগী থৌদোক ৱাথোক কয়াদা উৎলি। মখোয়গী মান্নবা লিংজেল অমদি কথোকপগী থৌনানা মণিপুরবু মচেৎ মচেৎ থুগায়বা ঙম্বশিংদগী কনবা ঙল্লিবসিনি। ঙসিগী লেঙদবা মণিপুর ওইরিবসি লমদমসিগী নুপী ওইবীশিংনা ঙাকশেল্লিবা থৌনা মপৈগী শিংলূপ অরাম্বাই তেঙ্গোলদা ক্রেদিট পীবা তাবনি। অরাম্বাইগী থৌদাংদি মৈ কনবা, নোংমৈ-বোম ঙাকপদুনা লোইদে। ঙসিসু ঈশিংদগী মফুরুপ মজাতিবু থৱায় অমখকফাও চোন্থ-পাথখিদনবা হোৎনরিবসি ঐখোয় পূন্নমক্লা উমিন্নরি। মীবু কল্লবদি, ঐ শোকপা নৎত্রগা শিবগা মন্তিক্লরোই হায়বা ৱারেপ্লা অরাম্বাই তেঙ্গোল্লোইশিংগী ৱাশক ওইরি। মীয়াম্না মখোয়দা পাংলকপা পোৎলম লায়রবশিংদা য়েঙ্খোকই।

অহাঙবা লৌফমশিংদা চীঞ্জাক থাবগী কলচর অরাম্বাই তেঙ্গোল্লোইশিংনা হৌদোক্লি। ফত্তবা তৌবশিং ৱারক ৱাতেম্বগী থবক মখোয়না তৌরি। আর্ট এন্দ কলচর য়োকখৎপগী থবক মখোয়না তৌরি। কনাগীসু ওর্দর ঙায়দনা লমদমসিগী লোদি মখোয়না ঙাকপগুম উরি। সিফাইশিংগুম তোলোপ চাবসু নত্তে। ৱাচৎ ৱানোম তৌদুনা, শেনপোৎ অথেনপোৎ কত্তুনা সিফাই ওইগে হায়বা নহাগী মশিংদগী চরা হেল্লসু তেঙ্গোল্লোই ওইখ্রগে হায়বা নহাগী মশীংনা য়াম্বা নোংমা নোংমগী হেনগৎলকই। মসি মখোয়গী লৈবাক নীংবা মীওইববু নুংশিবা, মীপান তাংনীংদবা, মশাগী লাইনীং চৎনবীবু চেকশিন্না ঙাকচবগী মতৌ অদুননি হায়বসু য়ারি। লমদমসিগী য়েলহৌ মীয়াম্না তোলোপ্তুগী মমা লৈবাক্লা হেন্না মরু ওই হায়বসি হোংদোকহনবা ঙল্লোইদবা লাইনীং ওইখ্রবনি। মসিগুম্বা শাফুলূপ অসিবু লোনা য়াদবা লূপ ওইনা উহন্নবা হোৎনরবদি তৌহৈদবা থবক্লি।

নাকল অমরোমদা, ইকায়বা হায়বসি পোকপদগী শাগোন্নরক্ত্রবা মানবী-মানবা কয়ানা সোশল মীদিয়াসি অমোৎ-অকায়গী মফম ওন্থোক্লি। মীবু খোইদৌ শাওগৎহনবা ৱাচোয় কয়া ইদুনা থাগৎলি। ইকায় হঙ্গোইবা খঙদ্রবা মতৌ কয়া ঙাঙদুনা য়াম্না হৈ-পা শিংনরি। ঐখোয় মশেল হায়বসিদি অফবদা থাগৎপা, অশোয়বদা শেমদোকমিন্নবা মদুনি চাওখৎপা। ইকায় খঙনদবনা শেলদি য়াম্না পায়খিবা য়াই। চাওখৎপদি ওইদে। ইকায় খঙবনা শেলদি পায়দবা য়াই, চাওখৎপদি কৌই। অমসু অমসু ওইজববু ফংলদি ইকায়বদি ফুরিৎখাওদা হাপচিন্নরি। ঈশিংনা লায়রবা ইনাকখুনবা খন্দোক্তুনা মান্নমা তেম্বগুম ইকায় খঙবগী মান্নবা খুন্নাই শেমিন্নরসি। ঈচাও পোকপা ঙম্বা নোংনা তারিঐঙসিদা ইকায় খঙদবগী মায়থোঙশিংসু অমুক্তং তাথোকহৌসি। জগৎকী অমোৎপা পূন্নমক চামথোকপা ঙম্বদি ঈশিংতনি। ইকায়বা হৈত্রবা, মথৌ মশক খঙদ্রবা লমদমসিগী মায়থোঙশিংসে ঈচাওসিনা শিৎ নান্না চামথোকখিবা ওইরসনু। ●

# অফবা চাম্মা কান্নদে, শীংথানদে, ফত্তবা অমদি হঞ্জিন-হঞ্জিন পোপথোরক্কনি

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

ঐখোয় তাইবঙ মীওইবা অসি কৈদৌনবা পোক্লকখিবনো, কৈদৌনবা হিংলিবনো, হিংলিঐঙ মতম অসিদা করি করি থবক তৌগনি, থবক অদুনা হিংমিন্নরিবা, লৈমিন্নরিবা মীয়াম মরক্তা অমনা অমগী মতেং পাংনগদরা নৎত্রগা অমনা অমগী অশোয়বা পুথোক্তুনা থিন-থিন্দুনা লৈগদরা হায়বা ৱাহং অমা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা হংবা মতম ওইরে। থবক য়াম্না তৌরবদি অশোয়বা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লবা তাই। মীখল থেংনদবা মী মীখলগী মায়থীবা লৈরোই। পরিক্ষা থাদবা মী পরিক্ষা ফেল ওইরোই। শমান লেংমান্নবা লম্বা তৌনদুনা মুক্লা শান্নদবা মী মুক্লা তুরোই। থবক তৌবা মীয়ামগীদমক চেনবা চোংবা য়াইফনবা চেনবা মতমদা কয়া'মা মায় পাক্কনি, কয়া অমনা মায়থীগনি। লৈবাক ঙাক্লিবা কয়াসু অফবা খরদি শোয়দনা তৌরমগনি, অশোয়বা খরসু শোয়দনা য়াওরমগনি। অফবা অদুদি শীংথাবীদবা, শোয়খিবা-লানখিবা অদুদি চিংথোক চিংথোল্লগা ঙাঙবা, চৈবা অসি চৎনবী অমা ওইনা তৌবা মচৎ অমা ঐখোয়না উবা ফংই।

মসিদসু নত্তনা হৌখিবনা শোয়রম্বনি, হৌখিবনা লাল্লম্বনি অদুনা অদু তৌবনি, অদুনা মসি ওইরকপনি হায়দুনা মরাল শীবা থংজিনবা অসি হৈনবী অমা ওইরিবসি খুদক্তগী তোকহন্নীংই। চহী কয়াগী মমাঙদা ওইরম্বা লম্বী থোং, মৈ-ঈশিং, ঈথৈ-লৌখোং, অনা-লায়েংশঙ, মহৈ তম্ফম পূন্নমক থেঙ্খাং নাইনা অহোংবা নাইদুনা লাক্লবনি। কুমজা ১৯৩০/৩১ অদুৱাইদা এল পি স্কুল/পাঠশালা অমখক লৈরগা কিলোমিটর ২০গী মথক্তা লাপ্পা মফম অমা তান্না লাক্লগা ক্লাস থ্রী তম্বা চৎলম্বদু হৌজিক য়াম্না কন্না চৈরিবা মমাঙঐঙদগী শোয়খিবা কয়াদুনা ঙসি ৱারিবনি হায়দুনা ঙাঙ শক্লিবা নখোয়-নখোয়না মীয়াম মরক্তা তিনবা ঙমদুনা লৈ খৎপা থোক্লিবদু হৌখ্রবা অহল-লমন কয়াদুগী মপালদগীনি হায়বসু কাউদবা ফৈ। ঙসিদগী চহী ৬০/৭০গী মমাঙদা মণিপুরগী লম্বী থোং করি ওইরম্মী। মতম মতমগী লৈঙাক অদুগী মীৎয়েং অমদি মীয়ামগা লোয়ননা শেমগৎখিবা, শাগৎখিবা ঙাক্তনি। অফবদি ফৈ হায়না থাগৎপগী হৈনবীসু লৈবীয়ু। ফত্তবসু মদুদি ফত্তে হয়বা ঙম্বগী থৌনাসু লৈবগী তঙাইফদবসু লৈগদৌবনি। কুমজা ১৯৩৪/৩৫দা মণিপুরদা পুলিস ষ্টেশন কয়া লৈরম্মী, ঙসিদি অনৌবা পুলিস ষ্টেশন কয়া থোরক্লে। হায় এন্দ হায়র সেকেন্দরি স্কুল কয়া অমসু লৈঙাক্লা অমদি এদ্যুকেশনবু হেন্না ময়েক লাহনবা পাম্বা মীওই কয়া চোংথোকপীরক্তুনা নর্সরিদগী সেকেন্দরিগী থাক ফাওবা মরাং কায়রক্লিবা পূন্নমক মতমগী অওনবা, মতমগী হোংলক্লিবা ঙাক্তনি। অপোকপা ইপা ইমা অনীনা ঈনা কুপ্পা য়ূম, লৈবাক্লা ৱাই তৈবা ফক্লাং অদুদগী চাউরক্লগা মরম মোকপা মচা কয়া, মশু কয়ানা মতম অসিগা চান্নবা য়ূম-কৈ শাদুনা নুংঙাই-য়াইফবা ওইরকপা, একাগাড়ী তোংদুনা স্কুল-কোলেজ তম্লকপা কয়ানা মতমগী অতাঙবা কার তোংলগা ইপাবু-ইমাবু চৈগে খনবীগনু। মখোয় মখোয়না নাওয়োক নাওকোল্লকপা ঙসি ঐ-ঐনা ফীভম অসি য়ৌরিবনি হায়বা ৱাখল্লোন অসিদি পূন্সিনা লৈরিবমখৈ থাদোক্লবা য়াদ্রবা ৱাফম্লি। কনাগুম্বা পোলিটিকেল পার্টিনা অফবা পোলিসি প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎলম্বা ঐখোয়না থেংনখ্রে। কংলাগী পুমথা লৈদুনা ইরোই লৈওন কোম ওইবদা নত্তনা ঙাপ্রুম তানফম, লোং খোনফম ওইরম্বা অদু কুমজা ১৯৭২দা লাকখিবা লৈঙাক অদুনা মমাঙঐঙগী পুৱারীগী লন ওইরিবা কংলাবু শেমগৎ শাগৎলম্বদু লৈঙাক মথং মথংনা থেঙ্খাং নাইনা শেমগৎলকপনা ঙসি ঐখোয়গী মাঙদা উরিবা অসিনি।

ঐখোয়না তাবদা য়াম্না ৱাবা মমাঙগী লৈঙাক অদুনা অদু তৌরম্বদগী অসি ওইরিবনি হায়বা অসিদি মখা তানা ঙাঙবা শকপা ফত্তে। ফত্তরে খঙলবা, মোৎলে খঙলবদি শুদোক চামথোল্লগা অরুবা অনানবা মচু তাবা লৈবাক মীয়াম মাঙদা পুথোকপীনবা হোৎনবীয়ু। লৈঙাক, ওর্গনাইজেশন পূন্নমক মতম মতমগী থৌদাং লৌরিবা অদুগী মথৌনি। মমাঙদা তৌরম্বা থক থানা খুদিংমক অফবনা মখা চথুবা পামদবা মীয়াম্না য়ানীংদবা থবক্লা মখা চথুদুবা অসিদি মহৌশাগী মচৎনি। লৈখোম তৈবা, অমাংবা পকপা, চামথোকপা তাই, তৈথোকপা তাই। মসি মালেমগী লৈঙাক পূন্নমক্কী মচৎনি। মদুদা মীয়াম্না খনবা নত্তবা দিক্টেটর ওইনা লৈবশিংগী তোঙানবা ৱাফম অমা ওইরগা মীয়াম্না খনবা মীহুৎনা লীংবা লৈঙাকশিংদি মীয়ামগী মেন্দেট অদু তৌবা অদুনা খ্বাইদগী অফবা লৈঙাক্লি। ঐগা ঐগা নক্লবা মরী মতা, ঐগা পোলিটিক্স পুনবা মখোয় মখোয়গী অপাম্বা অনীংবা অদুতমক তৌবা, অচান মীরাই নাইবা, ঐগী-মীগী খায়বা অদুদি অফবা লৈঙাক অমগী মমি তাবা ঙল্লোই। শেঞ্জা থুমজা হায়বা মীচং শঙ্গন নাইবা লৈঙাক অদু অফবা লৈঙাক অমা খক ওইরোই। মালেমদা কনা কনাগুম্বা লুচিংবা কয়ানা ঐগী মী, মীগী মী নাইনা থবক তৌবা অমদি শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা লৈঙাকপু শীজিন্নরবদি কৈদৌঐঙদসু মীয়াম্না সহজে াক পীরকপা লেপখিদুনা মখা তানা লৈঙাক ঙাকপগী খুদোংচাবা পূন্নমক ককখিবা তাবনি।

মণিপুরগী লোয়শঙ খরদা লৈঙাক্কী মফমদা রেভন্যু ওইবা নত্তবা মরন্নাই ফুরিৎখাও তোংনবা শেন্দাল লম্বী ওইদুনা চথবা কয়া অসিদি হৌজিক হৌজিক চথরিবা কয়াসি ঙসি ফাওবদা তৌরিবা মরালগী চৈরাক কনাসু ফংবা তাদে। মসি মণিপুরগী ১৯৪৮গী দি মণিপুর ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেমব্লি, ১৯৫২গী দি ইলেক্টোরেল কোলেজ মণিপুর, ১৯৬২গী দি মণিপুর টেরিটোরিএল কাউন্সিল, ১৯৬৭গী দি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি, ১৯৭২গী মেম্বর ওফ দি লেজিসলেটিভ এসেমব্লি মণিপুর মথং-মথং, ১৯৭৪, ১৯৮০, ১৯৮৪/৮৫, ১৯৯০, ১৯৯৫, ২০০০, ২০০২, ২০০৭, ২০১২, ২০১৭, ২০২২দা পাঙথোকখিবা মীখলদা মায় পাক্লবা মীয়ামগী মীহুৎশিং অদুনা মীয়ামদগী চে চাং অমা তান্নবা লাকপা মতমদা লৈঙাক্তা কাদনা মরন্নাই ফুরিৎখাও তোংনবা হোৎনৌ, প্রাইভেট কোলেজ অমা এদেদ ওইনবা লাকপদা লুপা ক্রোর অদুক খোমজিল্লু, মথংদা অমুক ফুল কনভর্শন তৌবীরগে হায়দুনা ক্রোর কয়া খোমজিল্লু হায়বা কনাসু হায়রল্লোই। স্কুল অমদি কোলেজগী মতাংদদি লৈখিদ্রবা য়ংমাসো সৈজা অরংবা থৱান্মীচাকনি। মণিপুরগী পুৱারীগী লমায়দা য়াম্না চাউনা ফিদা কন্দুনা লৈরগদৌবনি। ১৯৭২, ১৯৭৪, ১৯৮০ ষ্টেট এসেমব্লিদা মায় পাক্লা মীয়ামগী থৌগল তৌরবা মতুংদা ১৯৭৮-৮০গী মতম অদুদা নেশনল ইমর্জেন্সি লোইরগা পাঙথোকপা ৬শুবা ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টকী মীরেপ ওইনা থেংনরগা মীখলদা মায় পাক্লগা মেম্বর ওইবদু থাদোক্লগা মতম অদুগী মোরাজি দেসাই সেন্টরগী লৈঙাক অদুনা মাবু মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা হাপ্লকখিবনি। মাগী তেল্লবা মতম অদুদনি স্কুল কোলেজ কয়া লৈঙাক্কী ওইনা লৌশিনবা মতমদা স্কুলগী ওজা, কোলেজগী ওজাশিং অমদি গভর্নিং বোদি অমদা শেনখায় থুমখায়গী পোৎলূম অমা ফাওবা পীখিদবনি। অফবা থবক তৌরম্বা মীয়াম্না কৈদৌনুংদসু কাউরোই।

ঙসিদি সেন্ত্রেল পে-স্কেল পীয়ু হায়দুনা ৭শুবা পে-স্কেল অদু কুমজা ২০১৬ ওইরম্বদা অদুনা কুমজা ২০১৯দগী চোন্থনা মথং মথং অদুমক লাকই। মসিদসু নত্তনা শিন্মী অমদি থবক্তগী পোত্থারবা কয়াদা মতম মতমগী পোৎ চৈ তাঙখৎলকপগী দি এ অমদি দি আর সেন্টরগীনা চাদা ৫৫, ষ্টেট অসিনা য়াম্না লাপ্লা থাপ্লা চাদা ৩৯, চাদা ১৬ খেন্ননা মতুং ইল্লিবা অসি তোঙানবা কৈথেল লৈবরা, তোঙানবা গাড়ী চেনবরা, তোঙানবা এরোপ্লেন, তোঙানবা ত্রেন থম্বীবরা হংবা য়াবা ৱাহংনি। মীতৈ খুন্নাই কৈবুল চন্দুনা থল্লগা ভাবোক ওইবগী থবক সেন্টর অমদি মাগী য়াথং ঙাকপীরিবা ইবুংঙো-ইবেম্মা পূন্নমক ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী মেন্দেট খঙনা থবক তৌবীয়ু। তোম্বীনা অদু তৌরম্বদগী তোম্বনা অদা হায়বদগী, চাউবা-চাউবীনা অৱাবা মতমদা পাউখুম পীবিগনু, মদু লৈবাক ঙাক্লিবশিংনা খুমগদৌবা পাউখুম নত্তে, মদু মতম অসিদগী খরা লাপ্লা থম্বীখো। মীওই মপোক লান্দবা শোয়দবা ঙম্বা হৌনদে। অফবা কয়া তৌরম্বসু শীংথাসি, অদুগা ফত্তবা কয়াসু শুদোক চামথোল্লগা মচু তাবা লৈঙাক অমগী মীয়াম ওইদুনা নীং-মাঙ, খা-ৱাংগী কৈবুল অসিদি সেন্টর অমদি ষ্টেটনা অথুবীদা ৱারোইশিন থম্বীয়ু। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।